থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# অহল ওইরকপগী হোংলকপা ৱাখল - ২

(ৱারেংসিগী অহানবা শরুক, ইরাই নুমীৎ (সেপ্টেম্বর ১৬)কী ৱারেংদুগী অরোইবা পরেং 'কর্নগী ৱাহংদুদা কৃষ্ণগী পাউখুম...' হায়গদবদু 'অর্জুনগী ৱাহংদুদা...' হায়না নমখরে। শোয়খিবদুগীদমক অপাবশিংনা ঙাকপীগনি।)

লাইবক্লা তাথীবীরবা, সমাজগী মীনুংশি ফংদ্রবা মপোক অমা লেল্লকখিবা কর্নগী ৱাকৎ তারবা মতুংদা, অরানববু চুমথোক্লবা, অচুম্বই যুম্ফম থোল্লম্লবা পুন্সি পান্দম অমগা হিংলকখিবা কৃষ্ণনা মোমোন নোক্লা খুল্লকখি... 'হে কর্ন ! চেকপলনা কোয়শিল্লবা কৈশুমশঙগী অমম্বা কা অমদা, ইমাগী পীবুক্লুংদা মিতল্লকখিবা নাৱা অমা ওইরকখি ঐসু... তাইবংদা হেক খোঙদারকপা মীকৃপ্তা তাইবং ঈপাক লালহনখিনবা নিংথৌগী অহকপা য়াথং অমগা লোয়ননা, অশিবনা ঐবু ঙাইদুনা লৈরমখি। নহাক্লুম্না ঐহাকসু ইমাগী পীবুক্লুংদগী তাইবং' ফাওরকপা মীকৃপ্তুমক্তদা ইমা-ইপাদগী শেৎনহনখি... ষনথী-ষনয়ুং মরক্তুদা ষন শাদুনা চৎপফাওবা হৈত্রিঙৈ ঐবু হাৎননবা হোৎনরকখি কয়ারক। নহাক্কী নথৌনা নরীংজেন, নুমীৎকী মচা ওইবগী নঙালনা ফুদোংলবা নতীক-নগুন মীয়াম্না শোন্নবা মতম অদু ফাওবা ঐহাক্তি লৌবুক-লম্ফাং-উমং-ৱাংমদা ষনশেন-ষনঙাক তৌদুনা লৈরকখি, শক্লাইবা গুরু অমগী গুরুকুলদা থাবগী ৱাখল লৈখিদে পলেম-পম্ভৌ অনীমক্তা। মরুপ-মপাং, শাগৈ-নাতৈ পুম্নমক্কী ৱাকৎফম্নি ঐঙোন্দা।... ঋষি সন্দিপানিগী গুরুকুলদা ঐহাক্লা, অহানবা ওইনা ইহৈ তম্বা চঙখিবদো ইশাগী চহী তরাতরুক শুরক্লবা মতমদনি... নশানা খোয়দাজবা নুপীদুগা পুন্সি খোঙলোয় ওইনসু লৈমিন্নবা ফংখি নহাক্তি, ঐনা নুংশিজবা নুপীদো ঐগী ওইবা ফংখিদে, ঐবু খোয়দাজবী নৎত্রগা হিংচা-য়াইতন্বগী খুত্তগী ঐনা থৱায় কনবীখিবী মখোয়দুগনি ঐনা পুন্সি-খোঙলোয় ওইনা লেনমিন্নখিবা... ঐগী শাগৈ-নাতৈ, ইরি-ইতি পুম্নমক যমুনা তুরেল তোর্ব্বান'দগী, থাপ্লবা সমুদ্র-খোঙবান্দা খুন হোংদুনা পুখিবদো জরাসন্ধগী মখুত্তগী কন্নবা-পাঙদবা ইতৌনি হায়নখিবনি পুম্নমক্লা... কুরুক্ষেত্রগী লানফমসিদা, দুর্যোধন'না লানঙম ফিরাল থেৎপা থোক্লবা করিগুম্বা, অথৌবা লাল্লোয় কর্ন'না মরম ওইদুননি হায়দুনা নহাকপু হেন্না ৱাংবা সিংহাসন'দা থাঙ্গৎকনি দুর্যোধন'না... অদুগা, লানফম অসি যুধিষ্ঠির'না ঙম্বা থোক্লবা, ঐনা করি ফংগনি- খঙবা ঙম্ব্রা কনবীর? পুম্নমক্লা হায়গনি লাঞ্জাও অসি থোকহনবনি ঐহাক্লা, মশা-মশানা তৌখিবা অশোয়বা-অরানবশিং পুম্নমক কাউথোল্লগা, মরালশিংদুগী তাইশিনফম ওইরক্কনি ইফমদা... কর্ন ! মতম চুপ্পদা নীংশিংউ- মী ওইনা পোক্লরবা, তাইবংসিদা, শিংনবা কয়াগা মায়োক্লবা হায়বসে, তৌফদ্রবা নথৌনি... পুন্সি হায়বসিনা কনাদা থৌজাল মীৎয়েং য়েংলক্লোই... ঐহাক খঙই দুর্যোধনগী মফমদা তাথীবীখি পুন্সিনা, অদুগা, যুধিষ্ঠিরগী মফমদসু থৌজাল মীৎয়েং য়েংখিবা নত্তে।... লাইবক্লা নঙোন্দা তাথীখিবা, লৈপাক-মাঙদা নংখিবা ঈকায়বা, ফংফম থোকপা ফংখিদবা... মদুনা মরম ওইদুনা অরানবনি খঙলবা লম্বীদুদা চৎপদি ধর্ম্ম নত্তে, ধর্ম্ম হায়বদি অচুম্বা মশক খঙবদুনি। পুন্সিনা পীনিংবা চৈনা/চৈথেং পীরকসনু, মীকৃপ্তুদা ঐনা করম' মায়োক্লবগে হায়বদুনি মরু ওইরিবা'...।

কর্ননা আশা তৌথিদবা পাউখুম্নি। তূম্লম্বদই মীকপ থোক্লকপগুমখি। অদুবু- ইত ৱাজ টু লেত ! মশাগী অরানবা চুমথোকচনবা মতম লৈখিদ্রে, পুন্সিগী অরোইবা মীকৃপ্তুনা ঙাইদুনা লৈরম্লে।

অসুম্না, মীরোল কয়াদগী মওং কয়াদা লীনরক্লিবা শ্রীকৃষ্ণগী লোইবা নাইদ্রবা ৱারীনি। ৱারীশিংদুই মরক্তা য়ানিংবা/য়ানিংদবা মত কয়ানি পীনরিবা- হিন্দু/মুস্লিম/খৃষ্টিয়ন পূম্নমক্লা। জর্মন স্কোলার 'ফ্রেদরিক মেক্স ম্যুঅল্লর'নসু ইন্দিয়ন বেদিক লিতরেচরগী মতাংদা মত কয়া ফোঙদোক্লম্মী- পোজিটিভ ওইনা লৌবা কয়া, নেগেটিভ ওইনা খনবা কয়া। মহাক্লা ইন্দিয়াগী মরমদা ইবা লাইরিক ইন্দিয়নশিংনা পারোইদবনি, মৈ থাদোক্কদবনি হায়বসু কোঙ্গায়নি। অদুবু, মহাক্লা হায়রম্বা 'মালেমদা ঈৱাৎনরিবা গোদনি- ক্যারেক্তরশিংগী মনুংদা ঈশ্বর ওইনা লৌবা য়াবা ক্যারেক্তরদি কৃষ্ণ মথন্তনি... মরমদি, ঈশ্বর হায়বসি কনাগুম্বী/মমা অমগী সেক্সুঅল ওর্গানদগী পোক্লোইদবনি, শিবা অমসুং অশিবা হকচাং লৈরোন চনবা-ঈশ্বরগী মফমদা লৈরোইদবা অমনি। কৃষ্ণ পোকপা অমসুং শিবা-অনীমক অঙকপা সর্কমসতেন্ত অমমমনি। অঙাং ওইরিঙৈ, পুমকক চাউরকপা অমদি মপূম মরৈ-ফারবা কৃষ্ণগী শক্তম কলাকারশিংগী কল্পনানা য়েক্তুনা শাগৎলগসু অহল ওইরবা, মকোয়-মরাং চোল্লবা, মায়থোঙ খুইরবা কৃষ্ণগী শক্তমদি কনানসু শাগৎখিদে, ৱাখলদুনা উঙমখিদে। দেবকীগী পূক্লুংদা, কৃষ্ণ ওইরক্কদবা নাৱাদুনা মিতমখিবা (নোংদোনথক্তুই মৈরীক অমা কেল্লক্লগা পীবুক্লুংদা তীনখিবা)গী ৱারীদুগা ভর্জিন-মেরিগী পীবুক্লুংদা প্রভু যিশু ওইরক্কদবা অঙাংদুনা মিতমখিবই ৱারীগা- অনী অসি অমত্তনি। কোক্তা তিঙ্খংগী লূহুপ ঊপ্তুনা, খোঙ খুৎ অনীমক্তা অচৌবা য়োৎপী য়ৈদুনা, ক্রোস'তা নুমীৎ নীনি পাং তিংদুনা থল্লবা মতুং থাংথরগা, হান্ননা শেম শারবা কোম অমদা থল্লগা, নুঙজাও অমনা খুমজিন্দুনা থল্লুবা, কোরৌ নুমীৎ নীনিগী তুং হকচাং অদু মাঙখিবা- গুদ ফ্রাইদে অমদি ইষ্টর সন্দেগী ৱারীদু পারুরগা, জরাসন্ধ কৌবা শাদানবগী তেন'না পান্দুনা শিবা নাইবা হকচাং অমা ওইনা শায়োন্দুনা পোল্লম্বা শ্রীকৃষ্ণনা মহাক্কী হকচাং থাদোক্তুনা চৎলমদাইগী ৱারী অদু নীংশিংলকই। শা তানবনা শিনফম ওইবা জরা'না হিরন্য-তুরেল তোর্ব্বান্দা, উপাল অমগী মখাদা পোত্থারিবা শ্রীকৃষ্ণ বাসুদেবগী ওইথংবা মখোঙ অদু শজী মকোক ওইরবোই নীংদুনা তেনকাপ তম্লুবদা মথ্বায় মাঙখি। শোয়খিবা তেনকাপ অদুগীদমক মরাল য়াজরিবা জরাসন্ধ'দা থৱায় থাগদৌরবা কৃষ্ণনা হায়খি... 'ৱারুগনু জরা ! নরান নত্তে নহাক্কী, থোক্কদৌ লৈরবা থৌদোক্লি, কনানসু থিংবা ঙমদবা... মমাঙগী মপোক অমদা, ত্রেতাযুগকী মতম অমদা বলি মিংথোল লৌদুনা পোক্লমখি নঙনা, ঐনা রাম কৌবা মী অমা ওইনা পোক্লগা হাৎখিবনি নহাকপু... হৌজিক ঐনা কাইদোংফম লৌরিবা হকচাং অসি থাদোক্তুনা চৎপা মতম ওইরক্তুনা, অসিগুম্বা তাঞ্জা'সিতবু ঙাইরকপনি... মপোক অমদা নঙনা শকখিবা ৱাশক অদু থুংলে ঙসি, ঐনা তৌজরকপা কর্ম্মগী ফল অদুসু ফংলে'...।

অদুবু, ওন্থোকপনি ! পাউ অদু জরাসন্ধ'না হস্তিনাপুরদা তম্লুরগা অমুক হল্লকপদা হকচাং অদু মফমদুদা লৈরমখিদে। কৃষ্ণগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু কনানসু উখিদে।

লৌশিং পুক্কে

# হকচাং নাদ-য়েক্তনা লৈননবা

## অফবা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাসি



হকচাং ফবা, অনা-অয়েক য়াওদবা অমসুং তীঞ্জং-কায়জংদবা মীশক অমা ওইনবগীদমক অফবা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা মথৌ তাই। মীওইবগী পুন্সি নোংম-নোংমগী মথৌ চিনবা হেনগৎলকপা মরম্না নুমীৎ খুদিংগী মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা হায়বসি তশেংনা অরুবা অমনি।

মীওই অয়াম্বা নুমীৎ খুদিংগী পুক থন্না চারিবা ঙাক্তনি। মচল শুনা চাবগী মহুৎ অচাবা পোৎ অমা হঞ্জিন-হঞ্জিন চাবগী ৱাদনি। হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা মওংদা কান্নদবা চীঞ্জাক কা হেন্না চাশিনবসু য়াওরিবনি।

ৱর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী রিপোর্ট মতুংইন্না মালেমদা হৌজিক চাবা ফংদনা চরা হেন্দুনা শিবা মীগী মশিংদগী কা হেন্না চামনদুনা শিবা মশিংনা হেল্লি হায়রি।

মরম অদুনা কান্নদবা চীঞ্জাক হঞ্জিন-হঞ্জিন কা-হেন্না চাশিনবগী মহুৎ অফবা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা খজিক-খজিক চাবনা য়াম্না হেন্না ফৈ। মতম অমদা অঙকপা ফংনা কিনরম্বা ট্যুবরক্যুলোসিস, মেলেরিয়া অমদি দাইরিয়ানচিংবা মহীক-মতাইনা থোকহনবা লায়না অয়াম্বা ঙসিদি মেদিকেল সাইন্সনা চাউখৎলকপগী মতুংইন্না তপ্না তপ্না লাকশিনবা ঙম্লক্লে।

খোঙ হাম্বগী লায়না দাইরিয়া শন্দোরকপদা খুল কয়া, লৈকায় কয়াগী মীওইশিং পাক্তক্লনা শিখি হায়বা মতম অমগী অকি তুজুংবা পোল্লবা থৌদোকশিং অদু ঙসিগী মীরোলগী অঙাংশিংনা তাবদা নোক্লিংবা ৱারী ওইনা থোক্লে। অফবা মখলগী হীদাক কয়া পুথোরকপা মরম্না মতম অমদা মীয়াম্না কিনরম্বা লায়না কয়া তপ্না তপ্না খুদুম চনবা ঙম্লক্লে। নাকল অমরোমদা, দাইবেটিস, হাইপরটেন্সন অমসুং অরথ্রাইটিসনচিংবা মীওইবগী পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না কয়ানা লান্দারকপদগী চহী নৌরিবশিং য়াওনা মীওই কয়াগী পুন্সি খাঙুথক্তা লোমখিবগী থৌদোক তোয়না থোরক্লে।

হৌজিক্কী মতমদা মীওই খুদিংমক মথৌ চিনবা মরম্না মতম কায়থোক্তুনা হকচাং শাজেল তৌবা অমসুং মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা ঙম্নদ্রে। থবক চৎপা মতমদা গাড়ী তোংদুনা চৎপা, থবক মফমদসু ফম্লগা থবক শুরুবা অমসুং য়ুমদা হল্লক্লগা চাক পীক থন্না চাশিল্লগা টেলিভিজন মমাঙদা ঙাইহাক ফম্লম্লগা ৱারে হায়দুনা তূমখিবা হায়বসি ঙসিগী মীওই অয়াম্বনা নুমীৎ খুদিংগী তৌরিবা দেলি রুটিননি। মতৌ অসুম্না লীশাং শিংনা চৎথরকপদগী চহী নৌরিবা কয়া য়াওনা ঙসিগী মীরোল অয়াম্বা দাইবেটিস, হাইপরটেন্সন অমসুং অরথ্রাইটিসনচিংবা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না কয়াগা শাগোন্নদুনা হিংলি।

মহীক মতাইনা থোকহনবা অনাবশিংদি অফবা হীদাক অমা চারগা ফখিবা য়াই। অদুবু পুন্সি মহিংনা ওইহল্লকপা অনাবশিংদি হীদাক্লা ফহনবা ঙমদে। কন্ট্রোল তৌদুনা থম্বখক্তনি। পুন্সি মহিং হেক শেমদোক্ত্রিবা ফাওবা অনাবশিং অসি ঙাকথোকপা ঙম্লোই।

অখণ্ড-অহৈশিংগী মোত মতুংইন্না অফবা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা, চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা, নীংথিনা পোত্থাবা অমসুং অফবা ৱাখল খনবা হায়বা খোঙথাং মরি অসিনা য়ুম্বী মখোঙ মরিগী মতৌগুম ঙাক্লৌ পীবা নৎতনদি পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা অনাবশিং ঙাকথোকপা ঙম্লোই হায়রি।

য়ুম্বী মখোঙ মরি অসিগী মনুংদা অমা ওইরিবা অফবা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা হায়বা অসি ঙসিগী মীরোলনা কনানসু তৌরমগদবা মান্দে। মসিগী ময়েক লারবা খুদম হায়ববু পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না চেনবা মী নোংম-নোংমগী মশিং হেনগৎলক্লিবা অসিনি। মরম অদুনা চপ চানা তৌবমক ঙমদ্রবসু য়ামদ্রবদা মতম মতমগী উহৈ-ৱাহৈ অমদি মনা-মশিং মরাং কায়না চাবা তাই। য়ারিবমখৈ থাউ-থুম অমসুং অথুম্বা চীঞ্জাক চাং হন্থনা চাবীগদবনি। লোয়ননা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলম অমত্তা শীজিন্নরোইদবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালনা লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমগী অহল-লমনশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস)

লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালনা মল্টিপল দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দিগী ৱান মল্টিপল ৱান এক্টিভিটিগী মখাদা চথুবা ফিদ দ হঙ্গ্রি ওইনা ঙসি লাঙ্গোল নিংথৌ লৈকায়দা লৈবা ওল্ড এজ হোমদা চাননবা পোৎলমশিং পীদুনা তেংবাঙখ্রে হায়না লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী সেক্রেটরি লায়ন মানস মাইস্নামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।




লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমদা খুৎশিন্নখিবা পোৎলমশিং অদুদি চেঙ কে জি ৩৭০, অচাথাউ, আলু, হৱাই, ঙারি, মোরোকনচিংবনি। লোয়ননা ব্রেক ফাষ্ট পেকেটনচিংবসু য়েন্থোকখি। ওল্ড এজ হোম অসিদা পীখিবা তেংবাঙগী পোৎলমশিং অদু চাউরাক্লা লুপা লিশিং ১৯ লোমগী ওইগনি। থৌরম অদুদা লায়ন্স ক্লবকী দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দিগী দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর লায়ন ডা. দব্লিয়ু গোপিমোহোননা ফোঙদোকখিবদা, লায়ন্স ক্লব অসি মেলভিন জোন্সনা কুমজা ১৯১৭তা হৌদোকখিবদগী ঙসি ফাওবদা চহী ১০৫ হেন্না মীওইবা কাঙলুপকী মতেং পাংদুনা লাক্লি। লায়ন্স ক্লব অসি মালেম অসিদা খ্বাইদগী চাউবা সর্ভিস ক্লব ওর্গনাইজেসন অমনি। মল্টিপল দিষ্ট্রিক্টনা চহী অমগী তৌগদবা থবক থৌরমশিং শেম্বগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্টশিংদা পাঙথোক্কনি। হন্দক চহীগী ওইনা ৱর্ল্ড ৱাইদ সর্ভিস ৱিক হায়দুনা সেপ্টেম্বর ১১দগী ১৭ ফাওবদা ফিদ দ হঙ্গ্রি হায়বা অসি দিষ্ট্রিক্ট ৩২২ দিগী ৱান মল্টিপল ৱান এক্টিভিটি প্রোজেক্ট অমনি হায়খি।

থৌরম অদুদা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট লায়ন ডা. পি ব্রজমনিনসু ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি হায়রি।

# লম-তূ শেংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমদি বি জে পি লংথবাল মন্দলগা খুৎশম্নরগা ঙসি লংথবাল এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লিনহাখোং মরিল শিং-শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

এময়ুগী অৱাংথংবা গেটকী শরুক্তা লৈরিবা খোং অসি শিং-শেংবগী থৌরম লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবনি। থা অসিগী ১৭তগী হৌরগা মথং থাগী ২ ফাওবা তোঙান তোঙানবা থৌরমগা লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা সেৱাপখ্বাদাগী শরুক অমা ওইনা ঙসি পাঙথোকখিবা লম-তূ শিং-শেংবগী থৌরম অদুদা মহুদ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দ, বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট পি ঐচ ফোনি মৈতৈ অমদি বি জে পিগী থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট পি ঐচ ফোনি মৈতৈনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা শিং-শেংবগী থৌরম লিনহাখোং মরিলদা পাঙথোকপনি। লিনহাখোং মরিল অসি লংথবাল এ সীগী ওইনদি য়াম্না মরুওইবা খোং অমনি। খোং অসিদগী মীওই কয়া ঈশিং চান্নরি। খোং অসি লু-নান্না লৈহনবা হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্কী ইথৌদাংনি। মতুং তারকপদসু অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিংনা খোং অসিবু লূ-নান্না লৈহনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়না আপীল তৌখি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৯।০৯।২০২২ ইং, নিংথৌকাবা;
লাংবনগী ২৪ নি পানবা।

**মেষ:** অশাওবনা পেন্দবা খরদি লৈগনি, হকচাংসু নুংঙাইবা খরা ৱাৎকনি। নীংবদি থুংগনি, মরুপ-মপাংনা চানবীগনি, শেন্দোং চাওনা ফংগনি, মীংচৎ হেনগৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**বৃষ:** অহেনবা লৌশিং শীজিন্নবা অমদি অনৌবা লৌশিং তানশিনবসু থোইদোক্লা কান্নগদবা নুমিৎনি। অফা-অপুনগী থবক অমদি ঙাইহাক্কী ওইবা থবক্তা হোয়া ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনরুনু থাজবীরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** লম খুদিংদা চাওনা মায় পাক্কনি। পাঙগে খনবা থবক্তা খুৎচাও থাহৌরো, থৌরম য়াৎপসু হৈগনি অমদি মীয়ামগী মতেংসু পান্নদি শোয়দনা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীঙবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**কর্কট:** পল্লম্বা শেল ফংবা, মীয়ামগী মতেংসু ফংবা অমদি মরুপ মপাং লোয়নবা থবক্তা থোইনা কান্নবা ফংজবা ঙসিসু লৈ। লেঙদবা লন তানশিনবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**সিংহ:** লম খুদিংদা মাঙবা লৈরোই-থৌনা ফুদোকপা, অনৌবা ৱাখল্লোন্না থৌপাঙবা অমদি য়েৎনবদা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। তুংগী খন্দনা ৱা ঙাঙবদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**কন্যা:** মীপায়রম্বা কোকচদুনা থৌ পাঙগনি, অচুম্বনা উপায় ওইবদা চাওনা কান্নগনি অমদি নথক থোংবনা শোয়দনা চানবীগনি। মীতোপ্তদি থাগনু, পঙথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**তুলা:** নথক থোংবনা ৱারৌবা য়াবা নুমিৎনি-চরাঙগনু। অনম তানবসু মতাং চারোই-নোল্লুক্লা চৎলু। মীয়াম্নদি য়াই, নাইতোম থৌপাঙববুদি মীগা পুনবনা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**বৃশ্চিক:** মীকোক থোংগনি-নীংহন্নগনু, অরাপ্পদগীসু কান্নবা ফংগনি অমদি থাজদনা ওইজবা ফংগনি। অকি অখঙ লৈরম্বসু কোকচরগনি, মীয়াম পুনবৈ কান্নজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**ধনু:** হরাওবা, নীঙবা থুংবা, শেন্দোং য়াম্না লৈবা নুমিৎনি। থৌওং হৈবগী মীনা থাগৎপিবা অমদি অরং-অরাক লৌশিনবা য়াবা নুমিৎনি। মরুপ মপাংনদি ৱারৌই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**মকর:** মায় পাকপগী নুংঙাইজবা অমদি নীঙবা মপা চাবা লৈ। পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংবা য়াবা লাকই, মীয়াম্না চাল্লি। মীতোপ্না মরুপ মপাং কায়ননবদি শীল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** মতম মাঙবনা হেনগনি, অনম তানবগী কান্নফম খঙলোই। মাঙগদৈ শরুক খোঙফম অমা-অনি হন্দোকপা ফৈ। নচা-ননাই লোয়ননা পাঙবা থবক্তদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈখিনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**মিন:** ৱা য়াম্না ঙাঙগনু, খুৎ চাওবসু মতাং চারোই অমদি নচা-ননাইগী লমদা নীঙবা মপা চারোই। নথক থোংবগী ৱা লৌরদি থৌপাঙগনি, নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# ইলেক্ট্রিক পম্প খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : পুখাও গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান চান্দম ইনাওনা পঞ্চায়ট অসিগী মনুং চন্না লৈবা য়ুম্নাম পাৎলৌ খুঞ্জাশিংদা ইলেক্ট্রিক পম্প সেট খুৎশিন্নখ্রে।

য়ুম্নাম পাৎলৌ ভিলেজ দিভেলপমেন্ট কম্মিটি, মোর্নিং ষ্টার ক্লব য়ুম্নাম পাৎলৌ অমদি য়ুনাইটেদ ৱিমেন ভলন্টরি এসোসিএসন্না শীন্দুনা য়ুম্নাম পাৎলৌ থোংখোংদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবা থৌরম অমদা য়ুম্নাম পাৎলৌ ভিলেজ দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম জয়না কুমগী নোং মতম চানা চুদবনা মরম ওইরগা লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোক্লনবা প্রধাননা লৌরক্লিবা থৌদাং অসি থাগৎনিংঙাইনি। লৌ পরি ১৫০ রোম লৈরিবা খুল অসিগী ঈশিংশিং পীরক্লিবা ইলেক্ট্রিক পম্প সেট অসি খুল অসি ফাওনা চেল্লিবা লেম্বীখোংদা ঈশিং চিংদুনা লৌফমশিংদা কান্নবা কয়া পীবা ঙম্লে। লৌ লোকপা য়াররোইদ্রা হায়না মীপায়রম্বা অদু কোক্লে। মখা তানসু প্রধাননা মতেং পাংবা ওইসনু হায়খি।

# সূককী ১১শুবা ফাউন্দেসন দে পাঙথোক্তুনা মহৈরোয়শিংদসু মনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস)

ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সূক)কী ১১শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম ঙসি অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা সূককী হেদ ওফিসতা সূককী প্রসিদেন্ট ধনকুমার নিংথৌজানা লূপকী ফিরাল চিংখৎলবা মতুংদা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মৈপা বঙ্কেট হোলদা মখা তাবা থৌরম পাঙথোকখ্রে।




ঙসিগী থৌরম অদুদা থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা চীফ গেষ্ট, সূককী প্রসিদেন্ট ধনকুমার নিংথৌজানা থৌরম মপু অমদি গেষ্ট ওফ ওনরদা কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী চ্যেরমেন চিঙ্গাংবম শরত অমসুং সী সী এস কেগী প্রসিদেন্ট জিতেন্দ্র নিঙোম্বনচিংবনা শরুক য়াখি।

সূককী ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা নুমীৎ ৭নি চুপ্না তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী অমদি প্রাইভেট হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদসু উচারাশিং থাখি অমদি রিমসকা খুৎশম্নরগা সূককী থৌমীশিংনা ঈ পীবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। ফাউন্দেসন দে অসিগা মরী লৈননা মণিপুরদা দ্রগসকী মহুম শারিবসি লৈঙাক্কী থৌরাং থৌশিল মপুং ফাদবগীনি হায়বা মোসনদা ষ্টেট লেভেল ওপন দিবেটিং কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি। লোয়ননা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩০, লুপা লিশিং ২০, লুপা লিশিং ১০ অমদি সর্টিফিকেট, মমেন্টোনচিংবসু য়েন্থোকখি।

# এ এম দি দি এগী ৭শুবা ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর দলিট দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (এ এম দি দি এ)না শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী তরেৎশুবা ফাউন্দেসন দে ঙরাং ইম্ফাল হোটেলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা এ এম দি দি এগী প্রসিদেন্ট ডা. টি এম রাজেন অয়াংবা; এ এম দি দি এগী এদভাইজর মোইরাংথেম সোরোজিনি লৈমা; চীফ কন্ট্রোল্লর এ এম দি দি এ, এন ইবোচৌ; এক্টর অমদি দিরেক্টর খ্বাইরাকপম দিয়া অমসুং সোসল ৱার্কর অপুং তাংখুলনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. টি এম রাজেন অয়াংবনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিগী পোলিটিসিয়ন খরনা মণিপুরদা দলিট লৈতে হায়না ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসি লাইবক থীবনি। দলিট হায়বগী ৱাহন্থোক খঙদবনা মরম ওইরগা লমদম অসিদা দলিট লৈতে হায়না পোলিটিসিয়ন খরনা খল্লম্বা য়াই। হন্থবা থাক্তা লৈরিবা মীওইশিং অদুবু দলিট হায়না খঙনবনি। লমদম অসিদা লৈরিবা চীং অমদি তমগী মীওইশিংনা পুনশিন্দুনা শেমখিবা ওল মণিপুর দলিট দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন চহী ৭ মপুং ফাখ্রে। এসোসিএসন অসিগী মরুওইবা পান্দমদি লমদম অসিদা লৈরিবা লায়রবা মীয়ামদা লৈঙাক্লা পীফম থোকপা রাইটশিং অদু ফংহন্নবা হোৎনবনি। অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা দলিটশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবগীদমক মাগী মাগী ওইবা লৈঙাকশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎনরি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লসু লমদম অসিদা লৈরিবা দলিটশিংগীদমক পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মতম চানা পায়খৎকদবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, সেন্টরদগী ষ্টেটসিদা দলিটশিংগী চাকথুং শোয়দনা পীরক্লমগনি হায়না থাজে। করিগুম্বা পীরক্লম্বা তারগদি দলিটশিংগী চাকথুং কদায়দা চৎখ্রবগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লি। মণিপুরদা লৈরিবা দলিটশিংনা ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা মখলগী কান্নবা অমত্তা ফংদনা লৈরি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা লমদম অসিগী দলিটশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবগীদমক পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মতম চানা পায়খৎকদবনি হায়খি।

# পোষন অভিয়ানগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : পোষন অভিয়ান অমদি ট্রী প্লান্টেসনগী থৌরম কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র থৌবালগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।




কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র থৌবালগী কেম্পসতা পাঙথোকখিবা পোষন অভিয়ান অমদি ট্রী প্লান্টেসনগী থৌরম অদুদা দিপার্টমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট হোর্টিকলচর ওফিসর এম নবচন্দ্র, কে ভি কে থৌবালগী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট অমদি হেদ ডা. এস জেস্মারানি, কে ভি কে থৌবালগী এস এম এস (এগ্রোনোমি) এম তোম্বনচিংবনা থৌরম মপু ওইদুনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ন্যুত্রিসনল গার্দেনিং, বাইও-ফোর্টিফাইদ ক্রোপ ভেরাইটিজগী মরমদা এস এম এম (হোম সাইন্স) আর কে লেম্বীসনা অমসুং ডা. চুৱাং হিজমনা ৱা ঙাংখি। ন্যুত্রি সিরেলগী মতাংদা এস এম এস (এগ্রোনোমি) এন তোম্বনা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। আই এফ এফ সী ওনা পীরকপা মনা-মশিংগী মরূশিং দিষ্ট্রিক্ট হোর্টিকলচর ওফিসর, থৌবালদগী লফু পাম্বীশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট দিভিজন থৌবালনা পীরকপা উহৈ পাম্বীশিং লৌমী নুপীশিং অমসুং অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিংদা য়েন্থোকখি। লোয়ননা থৌরমগী অরোইবা উহৈ পাম্বীশিং খাঙবোক পার্ট টু, মোইরাং পল্লিগী অঙ্গনৱাদি সেন্টর অমদি কে ভি কে থৌবালগী কেম্পসতা থাদুনা থৌরম লোইশিনখি হায়রি।